খুরাই এ সীদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা খুরাইজম রতনকুমারনা শীন্দুনা কংলা শঙ্গোমশংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল য়ুথ কনফরেন্স অমদি ইন্টরেক্সনগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স দে ২০২১গী থৌরমগা মরী লৈননা ৱি আর ওল কন্নেক্তেদ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা

লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা শীন্দুনা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা ইবা *ফিজংসিগী মরুমদা* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ফোঙখিবা

লাক্লিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা ওইনাম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা থিংবাইজম স্বারনকুমারগী ইলেক্সন কেম্পেন হৌদোকপগী পব্লিক মীটিং পাঙথোকখিবা

ফিজংসিগী মরুমদা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা শীন্দুনা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন, ভাইস চাঞ্চেল্লর, দি এম য়ুনিভর্সিটিনা ইবা *ফিজংসিগী মরুমদা* হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ঙসি ফোঙখ্রে।

ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা পুখ্রম্বম নিমাই, থবক্তগী পোথারবা জেদ ঈ ওনা অথোইবা মীথুং অমসুং কে এস ঐচ বির, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দীনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা শৈরেং ৮৪ য়াওবা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন, ভাইস চাঞ্চেল্লর দি এম য়ুনিভর্সিটিনা ইবা শৈরেং লাইরিক অদুগী মতাংদা শক্লাইরবা অইবা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা মশক তাকখি।

থম্বাল কেম্পেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ৪০ হেন্না মায় পাকহন্নবগী পান্দম থম্বগা লোয়ননা কুম্বী এ সীদসু বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্নবা ৱাখল্লোন্দা কে ঐচ নবকুমারনা মহাক্কী সপোর্টর ৫০০ হেনবগা লোয়ননা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১দা থম্বাল কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

য়ু এন দে থৌরম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) দে ২০২১গী থৌরম সঙাইপ্রৌদা লৈবা লায়ন্স সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱি আর ওল কন্নেক্তেদ হায়বা থীমদা চহী ১১দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অমসু পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা সিনিয়র সেকেন্দরি অমদি কোলেজ মহৈরোয়শিংগী ওইবা দিবেটিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখ্রেহায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী লায়ন এম মানসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এগজিবিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা হরাও-কুম্নৌশিং অসিগী য়েংলগা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ কম্মিসন, মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মখাদা ক্রাফ্‌ট দিভেলপমেন্ট প্রমোটর্স ওর্গনাইজেসন (সী দি পি ও)না শীন্দুনা নুমীৎ ১০নিগী ওইবা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৭তগী নবেম্বর ৫ ফাওবা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্লগনি। এগজিবিসন অসিদা পুন্না ষ্টোল ৩০দগী ৩৫ ফাওবা হাংগনি অমদি হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌ট, বী কিপ্পিং এসেসরিজ অগরবতি, কেন এন্দ বেম্বু, কৌনা অমদি ৱুদন ক্রাফ্‌টকী পোৎলম কয়াসু সোকেস তৌগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ক্রাফ্‌ট দিভেলপমেন্ট প্রমোটর্স ওর্গনাইজেসন্দা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ময়াইকোইবী নিংথৌজম লৈকায়গী এল পি স্কুলদা লোন্দ্রি ইন্দষ্ট্রি তৌবীগনু হায়না মফম অদুগী নুপীশিং অমদি অঙাংশিংনা প্লে কার্দ কয়া পায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা, মফম অসিদা লৈরিবা স্কুল অমদি গ্রাউন্দ অসি মীয়ামগী ওইনা অদুমক থম্বীয়ু। প্রাইভেটাইজেসন তৌবীগনু। করিগুম্বা থবক অমা তৌবদা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম তান্নবীয়ু হায়খি। প্রোটেষ্ট অদুদা লৈকায় তান্নদনা স্কুল অমদি লম্পাক্তা ইন্দষ্ট্রি থম্বীগনু, ষ্টোপ প্রাইভেটাইজেসন ওফ স্কুল এন্দ গ্রাউন্দ, স্কুল অমদি লম্পাক অঙাংশিংগী ওইহল্লু, হেল্‌থ হর্জার্ট ওইগদবা থবক মীয়াম তাবা মফমদা তৌবীগনু হায়বনচিংবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।

ফাগৎখিবা নোংমৈ অমদি অতৈ খুৎলায়শিং করম্বা মীরেপকীনো হায়বা খঙহনবীয়ু : কে এন সিংহ

BOOTH LEVEL INTERACTION PROGRAM

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা অন্দ্রো এ সীদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কৈশাম নিংথেমজাও এলিয়স কে এন সিংহগী ইলেক্সন কেম্পেন ঙসি হৌদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এমপিসীসী)গী মেম্বর অমসু ওইরিবা কৈশাম নিংথেমজাওগী ইলেক্সন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি য়াইরিপোক লাইমনাইগী কম্যুনিটি হোলদা এ সী অসিদা লৈরিবা পোল্লিং বুথ খূদিংমক্কী মীহুৎশিং য়াওনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ইলেক্সন কেম্পেন অদু হৌদোকখিবনি।

ইলেক্সন কেম্পেন হৌদোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা কে এন সিংহনা হায়খি, নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা মণিপুর পুলিসকী কম্যান্দো অমদি আর্মিগী অপূনবা খুৎপু অমনা অন্দ্রো এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অমগী মীখলদা শীজিন্নবা নোংমৈ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু-খুৎলায় ফাগৎখিবা অদু ঙসি ফাওবা কনাগীনো হায়বা ফোঙদোক্তনা থল্লিবা অসি করিগীনো। ফাগৎখিবা নোংমৈ অমদি অতৈ খুৎলায়শিং অদু করম্বা মীরেপকীনো হায়বদু হোম দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিনবা, মীয়ামগী মরক্তা থাঙ-তেন পায়নদুনা মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবা থোক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসি কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং করিগী থোকহল্লিবনো হায়বদু মীয়াম্না খঙদোক্তুনা মখোয়বু পারা তন্বীবগা লোয়ননা বোয়কোট তৌফম থোকই।

এ সী অসিগী মনুংদা মীওই খরদি মরম চাদনা পৱার পান্বা, মশাগী শেল তানশিন্দুনা মরল-মথুম লেপশিন্নবা হোৎনবদা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু করিসু লৈতনা উরি। এ সী অসিগী এম এল এ ওইরম্বা টি ঐচ শ্যামকুমার কোংগ্রেস পার্টিদা মায় পাকপ্পগা অহেনবা পৱার পান্বদগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা য়াওশিন্দুনা এন্টি দিফেক্সন লোবু করিসু লৈতনা খনখি। মসিমক্না হৌজিক্তি এ সী অসি মপু পান্দ্রবা এ সী অমা ওইরিবনি। মসিগীসু মথক্তা মীয়ামগী য়াইফননবা প্রোজেক্ট কয়া অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা ঙমদবনা মীয়ামদা চাউনা মাঙজরিবনি।

মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা তশেংনা হোৎনবা ঙমগদবা অশেংবা লুচিংবা অমা এ সী অসিগী মীয়াম্না থাগৎপগী মতম ওইরে। করিগুম্বা মীয়াম্না মীখল অসিদা মায় পাকহন্দুনা মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লবদি এ সী অসিদা লৈরিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা কয়াবু থবকপীনবগীদমক্তা অখন্নবা প্রোজেক্ট কয়া অহানবা ওইনা পায়খৎকনি। এ সী অসিদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৯৫দি লৌমী ওইবনা লৌমীশিংনা চহী চুপ্পা মহৈ-মরোং পুথোকপা য়ানবা ইরিগেসনগী থবকশিং পায়খৎকনি। লোয়ননা লৌমীশিংনা লেপ্তুনা পুথোরক্কদবা মহৈ-মরোংশিং অদুগী য়োন্নবা লন্বী অমসু চাউনা য়াৎকনি। মসিনা লৌমীশিংগী শেন্নীৎলোনদা চাউনা কান্নবা ফংহনগদৌরিবনি। লোয়ননা মীয়ামগা তান্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু পায়খৎকনি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এক্স-এম এল এ তোংব্রম মঙ্গীবাবু, এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি হরেশ্বর গোস্বামি, অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী এক্স-প্রসিদেন্ট হাজি সৌকৎ আলি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি সকিপ অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

‘লৈঙাক্লা তৌগদবা কয়া লৈঙাক ঙাইদুনা লৈবা য়ারক্তবদগী লূপ কয়ানা চঙশিল্লক্লিবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবা, নুপী-অঙাংদা মীওৎ-মীনৈ চথবা থিংবা অমদি মীয়াম্বু ঙাক শেনবা হায়বসি লৈঙাক্লা তৌগদবা থবক্লি। অদুবু লৈঙাক্লা তৌগদবা থবক কয়া অসি লৈঙাক ঙাইদুনা লৈবা য়ারক্তবদগী লূপ কয়ানা চঙশিল্লকপনি হায়না সোসল এক্টিভিষ্ট ধনবির লাইশ্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অম্মৱোভা) শাফোঙলকখিবা চহী ৩২ শুরকপগী নুমীৎ থৌরম কোনুং লম্পাক্তা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী থৌপুবশিংদা অচম্বা খুদোল তমখিবগা লোয়ননা লিক্লাং পরেং মিংথোনবা ঈশৈসু লাম্থোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট ধনবির লাইশ্রমনা মখা তানা হায়খি, লূপশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি লৌদবা য়াদবগী তাঞ্জা অমদগী লৌরকপনি। মণিপুরবু চাউখৎনবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইটিগা লৈঙাক্লা পাউফাওনদ্রবদি লৈবাক খুন্নাই চাউখৎপা ওইরোই। পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা থবক হাপ্লীগে, থিকা পীগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া হায়রকপা মতমদা সিভিল সোসাইটিশিংনসু য়ারোইদবনি। মসিদা য়াবা তারবদি খুন্নাইসিগী মাঙজবা ওইগনি। লমদম অসিদা হৌজিক লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লূপশিং করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি য়াম্না কুপ্পা য়েংবা চঙই। লূপ অমগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি ওইরিবসি মশা-মশাগী, ইমুং-মনুংগী নৎত্রগা মরী-মতা নুংঙাইননবা অমদি গাড়ী ফজবা তোংননবা নত্তে। মসি খন্থৌদ্রবদি পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা সিভিল সোসাইটি অসি থা উম্বদৌনা উমখিবদগী খুন্নাইসি মমশিল্লক্কনি। খুন্নাইসিগী অনৌবা ঈচেল অসি য়াম্না কুপ্পা নৈনবা মথৌ তাই। লমদমসিদা হৌজিকসু ইস্যু কয়া লৈরি। মীতোপ মীয়ানচাগী, চীং-তম খাইবুং খাইবুং তৌবগী অমদি ইন্টর্নেল কন্ট্রাদিক্সন কয়া লৈরিবনি। অদুনা লৈরিবা কয়া অসি থেংননবা হোৎনবা চঙই। মসিগীসু মথক্তা ময়াই কাবা দ্রগকী ইস্যু কয়া অমা লাকই। দ্রগ সপ্লায় তৌবসু লেপ্তে। অদুনা ইমাগী ফিজিগী মনি কয়া দ্রগনা পুন্সি লোমখি। মসি লূপশিংনা য়াম্না মুন্না খঙবা চঙই হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা অম্মৱোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা হায়খি, লূপ অসি কুমজা ১৯৮৯গী ওক্টোবর ২৪দা শাফোঙলকখিবনি। লূপ অসিনা হেক শাফোঙলকপা মতমদগী হৌনা নুপী-অঙাংশিংগী মথক্তা মীওৎ-মীনৈ চথরকপা অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। লমদমসিদগী অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোক্লবা হোৎনবদা ঙসি ফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা লাউদুনা লাক্লি হায়খি।

থৌরমদুদা থম্বালমরিক কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. টি ঐচ বিনারানিনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

মীতৈ লাইনিংগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক মণিপুর অসিদা মীতৈ লাইনিং য়োকখৎননবা হোৎনরিবশিংনা অশেংবা পুয়া লৈরগদি নেসনল অর্কাইবস, দেল্লীগী লেবোরেটোরিদা টেষ্ট তৌবদা অচঙবা শেনফম খূদিংমক পুথোক্লে হায়না ইনাৎ লাইনিং পুনশিন্নবা লূপ (আই এল পি য়ু এল) কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট কে লোকেশ্বরনা লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ লাইনিং চৎচবা লাইনিং অসিবু য়োকখৎননবা হোৎনরিবা লূপ খূদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নদুনা লাইনিং অসিবু তুংগী মীরোলদা হেন্না মশক থোক্লা অমত্তা ওইনা থম্লম্নবগী মতাংদা ৱাঙু মমাঙ সাবলদা লৈবা লূপ অসিগী জেইন্ট সেক্রেটরি ৱাই টিকেন্দ্রজিৎকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ৱাকোকলোল হিলেন থিলেন পুয়া হায়বা অসিদি নেসনল অর্কাইবস, দেল্লীগী লেবোরেটোরিদা টেষ্ট তৌবদা পুয়া অসি অশেংবা অচুম্বনি হায়না মশক খঙলবা পুয়া অমখক্লি হায়রদুনা কংলৈপাক অসিদা পুয়া অসি নত্তনা অশেংবা পুয়া অমত্তা লৈতে। ইনাৎ লাইনিং অসিবু তুংগী মীরোলদা অমত্তা ওইনা থম্লম্নবগীদমক লাইনিং অসিবু য়োকখৎননবা হোৎনরিবা লূপ খূদিংমক্কী ওইবা অপূনবা এপেক্স বোদি অমা শেম্নবগীদমক আই এল পি য়ু এল কংলৈপাক্লা হোৎনরিবা অসিদা কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা লূপ খূদিংমক্লসু তুংগী মীরোলগীদমক মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

থৌরম অদুদা ইনাৎ লাইনিং পুনশিন্নবা লূপ (আই এল পি য়ু সী) কংলৈপাক অমদি ৱাঙু বাজি পুন্সি খোঙচৎ থিজিনবা লূপকী লুচিংবশিংগা লোয়ননা মীতৈ লাইনিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা লূপ অনীগী মরক্তা লাইনিং অসিবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থম্লম্নবগী এম ও য়ু অমা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখি।

আই এল পি য়ু সী কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট কে লোকেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরি এস চলাম্বা অমদি ফাইনান্স সেক্রেটরি এল চিত্রেশ্বর লোয়ননা ৱাঙু বাজি পুন্সি খোঙচৎ থিজিনবা লূপকী মায়কৈদা প্রসিদেন্ট এল মনিহার, এম ইনাওবী অমদি ইরাবোতনা মরু ওইনা লুচিংখি।

মীয়ামগী প্রপোজেল লৌগনি : সত্যব্রত

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না পীরকপা প্রপোজেল লৌগনি হায়না লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

রাইজিং য়ুথ ওর্গনাইজেসন ক্লবনা শীন্দুনা মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদা লৈবা ভক্ত আশ্রম গ্রাউন্দগী অনৌবা গেল্লরি শঙ্গাবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা হায়খি, স্পোর্টস, রিক্রিএসন অমসুং ইন্টরটেনমেন্টকা মরী লৈনবা য়াইস্কুল এ সীগী মফম কয়াদা ফিল্ড অমদি গ্রাউন্দ কয়া শেমগৎপা মথৌ তারি। ভক্ত আশ্রম গ্রাউন্দ অসিদগী হোকিগী ওলিম্পিয়ন অমদি ইন্টরনেসনল থাক্কী হোকি শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রে। য়াইস্কুল এ সী অসি য়াম্না চাউবা হায়বদুদি ওইদে। অদুমকপু এ সী অসিগী লন্বী-থোংশিং নীংথিনা শেমগৎপগী থবক চথরি। মফম চাবা য়েংলগা গ্রাউন্দ কয়া নীংথিনা শেমগৎলবদি হৌরক্লিবা নহাশিং অমদি অঙাংশিংদা চাউনা কান্নবা পীগনি।

এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংগী মীয়ামগা তান্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎসি। লোয়ননা করি করম্না মওংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলগা পুম্নমক্কী অফবা ওইগদগে হায়বসু লেপথোকসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ১৪গী এক্স-কোর্পোরেটর সামোম রিতা অমদি আর ৱাই ও ক্লবকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

পব্লিক মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী মীখলদা ওইনাম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা থিংবাইজম স্বারনকুমারগী ইলেক্সন কেম্পেন হৌদোকপগী পব্লিক মীটিং অমা য়ুথ কম্মিটি ওইনাম এ সীনা শীন্দুনা ওইনাম পব্লিক হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা থিংবাইজম স্বারনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না ভোট লেপকে হায়না থোরক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি থবক ফংদদনা লৈরিবা নহাশিংগীদমক খল্লগা স্কিল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা, ৱার্ক কলচর প্রমোট তৌগে খনবগীনি। ঙসিদি লমদম অসিদা ৱার্ক কলচরবু ইম্বোক্লম্লগা মনি কলচর ওইনা প্রমোট তৌবগী শক্তম অমা উবা ফংই। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ইচম চম্বা খুঙ্গংগী মীয়ামগী নোংমগী শুর-নোম্লগা হিংবনা ৱার্ক কলচর অসি ফজনা লৈবা মথৌ তাই। লৌমী ইচিল-ইনাওশিংগী য়াইফনবা হোৎনদুনা এ সী অসিদা হেন্না চাউখৎপা পুরকপা হায়বসিসু ঐহাক্কী মরুওইবা পান্দমনি। য়েংলু য়েংলুবা মায়কৈদা নুংঙাই য়াইফবা এ সী অমা ওইহন্নিংবদগী ওজাগী শিনফম থাদোক্লগা মীখল অসি থেংননবা থোরকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফমদুদা ইরেংবম জি পিগী হান্নগী প্রধান এন গোপাল, সোসল ৱার্কর এল মঙ্গোলজাও, সিনিয়র সিটিজন ও মেঙ্গোর, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এক্স-ভাইস চেয়রপর্সন ও মোইরাংনিংথৌসু শরুক য়াখি।

নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): পাৎশোই পার্ট টুদা লৈবা পাৎশোই অৱাং দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লী মীখলদা পাৎশোই এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা নুপী ওইবী কয়াদা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা খুদোল তমখ্রে।

পাৎশোই পার্ট টুদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা হায়খি, পাৎশোই অৱাং দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন্না মহাকপু সপোর্ট তৌদুনা তরাম্না ওকপীবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা থৌরম অসিগা মরী লৈননা নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা নিঙোল ওইবী কয়াদা নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল তমজবনি। পাৎশোই এ সী অসি চহী কয়া শোত্থদুনা লাক্লবা এ সী অমনি। এ সী অসিগা থংনরিবা এ সীশিংগা য়েংনরুবদা শোত্থনা লৈরি। অসিগুম্বা এ সী অসিবু চাউখৎহন্দুনা মাঙজিল থাবা এ সী অমা ওইহনসি। চাউখৎপা, অফবা অওনবা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): থাংমৈবন্দগী অপূনবা ক্লব ২৩গী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব (টি য়ু সী)গী থৌবুরেল অমদি থৌমীশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অমত্তা ওইনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না টি য়ু সীগী জেনরেল সেক্রেটরি হৈস্নাম ফোরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱারেপশিং অদুদি ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ফ্লেগ, ফেষ্টুল, সাইন বোর্দনচিংবা মফম-মফম খূদিংদা থেৎপগী লিমিটেসন অমা থম্বা, মাস কেম্পেন, প্রোসেসন নৎত্রগা হাউস কেম্পেন চৎনবগী মতম টি য়ু সীগী অয়াবা লৌরগা কেন্দিদেট অমগা কেন্দিদেট অমগা নোংমত্তদা ফাংজিন্নদনবা শীনবা, ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেম্প নৎত্রগা বুথ শাদুনা কেরোম শান্নফম, ছত্রং শান্নফম, য়ুথকফম শীলহন্দবা, পব্লিসিটি চৎপগী রুট অমদি টাইমিং টি য়ু সীনা লেপ্লগা চৎহনবা, অমগা অমগা লাউশিন্নদনবা শীনবা, পব্লিক মীটিং শীনবা মতমদা নুমীৎ অমত্তদা কেন্দিদেট অমদগী হেলহন্দবা, মাঙজৌননা টি য়ু সীগা তান্নরগা মতম লেপমিন্নবা, কেন্দিদেট পুম্নমক য়াওহনবা অপূনবা মীটিং শীনবা, ইস্যু বেজ পোলিটিক্স তৌবীনবা, অপূনবা মণিপুর অমগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা কেন্দিদেট খূদিংমক্তা খঙহনবা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

প্রোফেসর রাজমুহোন হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরিবা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিং য়াওনা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা মাগী মাগী ঙমজবা মমেন্টো, ইন্নফি অমদি তোঙান তোঙানবা খুদোলপোৎশিং প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোনদা পীদুনা ঈকায়খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী ওরিবঙৈগী মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিবু মপুং ফানা শেমগৎতুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা মশক নাইবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্বা ওইসনু হায়না য়াইফ থৌজালসু পীনখি।

থৌরমগী মনুং চন্না প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোনবু অঙাং ওইরিবঙৈগী মতমদা খুৎ পায়দুনা তাকপী তম্বীরকখিবা, হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা ওজা অহুম য়াওনা ককচিং লমদমগী শক্লাইরবা ওজাশিংদা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন অমদি ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী ইন্নফি অমমম পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা ফোঙদোরকপদা, দি এম য়ুনিভর্সিটি অসি মপুং ফাবা অমসুং ইন্দিয়াগী ওইবা ফিদম্নফম ওইবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবা মহাক্লা ভি সী ওইনা লৈরিবঙৈদা হোৎনরমখিগনি। মণিপুরদা লৈরিবা মায়কৈ খূদিংমক্কী মীয়ামগীসু অচৌবা মতেং মথৌ তাই। মীয়াম্না অচৌবা তেংবাঙ পীবীয়ু দি এম য়ুনিভর্সিটি মাঙলোমদা চঙশিনবা চাউখৎপা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কে এম দব্লিয়ু ওগী ২শুবা মপোক নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক মাইনোরিটি ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (কে এম দব্লিয়ু ও)গী অনীশুবা মপোক নুমীৎ কম কলচরেল প্রোগ্রামগী থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকায় লৌ তরেৎকী অৱাং ইদিগাদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কংলৈপাক মাইনোরিটি ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (কে এম দব্লিয়ু ও) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম দি নাসির খান, এ এম এম ও সী ও সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি রিজৱান সৈখ, ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে বিজেন, জে সী আই পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভেনরসু ওইরিবা এম এস এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এম দি সাজট বুয়ামযুম অমদি জমা মসজিদ লিলোংগী প্রসিদেন্ট এম দি নিজামুদ্দিননা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কে এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট এম দি নাসির খাননা হায়খি, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই অমদি তুংগী য়ুম্বীরেল কনসি হায়বা পান্দমদা ওর্গনাইজেসন অসি লিংখৎখিবনি। লূপ অসিনা মণিপুরদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদা শরুক য়াখি। হন্দক শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎলগা হুন্দোক্লমখিবা অথোন অবোনমাইগী মীশিগী মতাংদা চঙশিল্লকপা খোঙজংদসু শরুক য়াখি। লূপ অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্নসু মতেং পাংদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর থাদা লিংখৎখিবা লূপ অসিনা ইরমদম অসিদা মীকপ মীরাওখোল থোকহন্দনবা অমদি অপূনবা শক্তমদা য়ৈখাই থিনগাইবা, অপনবা পীরকপদা কে এম দব্লিয়ু ওনা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা লাম্থেংনগনি। লোয়ননা ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ খূদিংমক নুংশি-চান্নবা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা লৌফম থোকপা থৌদাংসু লৌগনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা মপানগী শাফু অমনা অয়েৎ-অপন পীরকপা মতমদা লূপ অসিনা অঙম্বা থাক্তা মায়োং য়াগনি। তুংগী য়ুম্বীরেল কন্ননবগীদমক ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবা চাবা অসি থিংমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নুপীশিংনা ৱান ষ্টোপ সেন্টরগী কান্নবা কয়া খঙনদ্রি : শরনকুমারী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস): শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অনীশুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা সেন্টর অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ক্ষেত্রিময়ুম শরনকুমারীনা ফোঙদোরকপদা, মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং নংলবী নুপীশিংনা শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর কান্নবা কয়া ইখঙ খঙনদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা মীওৎ-মীনৈ ফংলবী নুপীশিংনা সেন্টর অসিগী কান্নবা ইরৌ লৌনদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচিং কম্যুনিটি হেল্‌থ সেন্টর (সী ঐচ সী) ককচিংগী লম্বীদা লৈবা শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মপোক নুমীৎ থৌরম অদুদা থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা ক্ষেত্রিময়ুম শরনকুমারীনা মখা তারদুনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলবী নুপীশিংগী মতম খরগী চঙজফম লৌনবা ৱাখল লৈতানবগী মফম অমা ওইনা হাংদোক্লিবা ‘শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর’গী কান্নবা করিনো হায়বা অসি মণিপুরদদি নুপীশিং খরা খজিক্লা খঙনবা নত্তনা অয়াম্বনা ইখঙ খঙনদ্রি। নুপীশিংগী য়াইফনবগীদমক ইমুং-মনুংদা মপুরোইবনা, মনেম মকুবোক্লা, মীয়াম মরক্তা, কাঙলুপশিংগী মরক্তা, থবক শুফমদা, থৌদোক-ৱাথোক অমা থোক্তুনা মীওৎ মীনৈগী অৱাফমদা তাদুনা চৈথেং ফংলবা, সেক্সুএল হরাসমেন্ট, সেক্সুএল এসোল্ট, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স নৎত্রগা ট্রাফিকিং তৌবীরুরবা নুপীশিংবু মতম খরগী চঙজফম পীদুনা মতেং পাংননবগীদমক মিনিষ্ট্রিনা সাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর অসি থল্লিবনি। কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ১দা ৱান ষ্টোপ সেন্টর (সাখি) হায়রিবা স্কিম অসি হৌদোকখিবা সেন্টর খূদিংমক্লা মতম পুম্বদা তেংবাংনবগীদমক ২৪X৭ মথৌ তৌরিবনি।

শরনকুমারীনা মখা তারদুনা হায়, মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবী নুপীশিংনা ৱান ষ্টোপ সেন্টর (সাখি) দা নুমীৎ ৫নি খত্তুংগী ওইনা চঙজফম পীগদবনি। মখোয়গী চাবা থকপা খূদিংমকসু সেন্টরনা পুগনি। মখোয়না সেন্টরদা চঙজফম লৌরিঙৈগী মনুংদা সেন্টরগী খঙহৈরবা কাউন্সেল্লর নুপী অমনা মখোয়বু লোয়নবীদুনা কাউন্সেল্লিং নীংথিনা পীদুনা পূক্নিং, ৱাখল লৌশিং ওইগদবা, পূক্নিং ফাথনবা ৱারী-ৱাতই শাবীদুনা মখোয়দা লৈরম্বা অৱাবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনবীবা, খৎন-চৈনবা নৎত্রগা ওৎপী-নৈবীবদা অশোক-অপন য়াওরকপা নুপীশিংদা ফার্ষ্ট এইদ পীবীবা, মখোয়না পুলিসকী মতেং লৌনিংলবা অমসুং ৱাকৎনিংলবসু পুলিস ষ্টেসনদা মশা চৎপগী মহুৎতা সেন্টরদা লৈরিবা নুপী পুলিস পর্সনেলশিংগী মতেং লৌবা য়াই। লোগী ওইবা মতেং লৌনিংলবসু সেন্টরগী লৈরিবা পেরালিগেল লোয়রগা ৱারী ৱাতাই শানদুনা খঙদবা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। কনাগুম্বী মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবী নুপী অমনা খুদক্কী ওইনা শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টরগী মতেং লৌবা মথৌ তারবদা মনাক নকপদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ৱান ষ্টোপ সেন্টরদা পাউ পীবীরক্তুনা মহাক্লা লৈরিবা মফম অদু তান্না রেস্ক্যু তৌবীনবা হায়জবগী খুদোংচাবসু লৈ।

ঙসি ফাওবদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী শাখি ৱান ষ্টোপ সেন্টর অসিদা লৈরিবা ষ্টাফশিংনা সেন্টর অসি হেক লাকপদগী কেসশিং লাকপা মতমদা অহিং নুংথিল নাইদনা মতম চানা রেস্ক্যু তৌবা অমদি কেসশিং সোল্ভ তৌনবা হোৎনদুনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীয়াম্নসু সেন্টর অসিগী কান্নবা খঙবীদুনা মীওৎ মীনৈগী চৈথেং নংলবী নুপীশিংবু সেন্টর অসিদা থাবীরক্তুনা কান্নবা লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

থৌরম অদুদা দি গাংমৈ, দি সী ককচিংগী থৌসু পুরিবা অদুগা শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী চ্যেরমেননা অথোইবা মীথুং অমসুং তৌরাংবম অনিতা, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর, শাখি ৱান ষ্টোপ সেন্টর, ককচিংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা শাখি-ৱান ষ্টোপ সেন্টর, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপগীদমক সেন্টর অসিগী সিক্যুরিটি ষ্টাফ মোইরাংথেম গোধাদোরদা শকখঙ চে অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।